# কলেজগী মীখলদা মীরেপ ওইখিবশিং তরাম্না ওকখ্রে মহৈরোই অমগী থৌদাং খঙমিন্নদুনা থবক তৌসিঃ সুরেস

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩(এস এন এস) ঃ

ইং ২০১৮–১৯গী সেসন্দা নৌনা মীহুৎ ওইনা খনলবা কলেজগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নশিংগী মীহুৎশিংবু ওকপ অমসুং শকখঙ মায়খঙনবগী থৌরম অমা মোনিটরিং সেল ওফ দি কলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ইলেক্সন,২০১৮–১৯ না শিন্দুনা ইম্ফালগী থাংমৈবন্দ এঠলেটিক য়ুনিয়নগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। মহৈরোইশিংনা মহৈরোই অমা ওইনা তৌগদবা থবকশিং লোয়ননা লৈবাক্কী ইশু অমসুং করম করম্বা ইশুশিংদা মহৈরোইশিংনা করি থৌদাং লৌগদগে হায়বগী মতাংদা খন্ন নৈন্নবগী খুদোংচাবা অদু লৌনবগীদমক থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়না মোনিটরিং সেল অসিগী কনভেনর থোকচোম সুরেসনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরি লৈননা সুরেসনা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা কলেজশিংগী মীখলদা য়াম্না শান্তি ওইনা অমসুং অচুম্বা মীখলগী নিতি নিয়ম ঙাক্না পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক মণিপুরদা লৈরিবা মহৈরোই লুপশিং পুনশিল্লগা মোনিটরিং সেল অমা শেমদুনা হোৎনবদগী ইং ২০১৮–১৯গী সেসন্দা মীখল নিয়ম চুম্না পাঙথোকখি।

মীখল অদুদা য়াওখিবা মায় পাক্লবা অমসুং মায় পাকহৌদ্রবা মহৈরোইশিংবু হরাউ তয়াম্না ওকপগী থৌরম অমা ওইনা মোনিটরিং সেল অসিনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি।

থৌরম অসি মপুং ওইনা কলেজদা নৌনা পুরক্কদৌরিবা য়ুনিয়নগী মীওইশিংনা মরুওইনা মহৈরোইশিংনা লৌগদবা থৌদাংশিং, কলেজ অমগী চাউখৎহন্নবা অমসুং মহৈ মশিং তম্বদা অকায়বা থোকহন্দনা লৈবাক্কী ইশু কয়াদা শরুক য়াগদগে হায়বগী মতাংদা খন্নদুনা হোৎনহন্নিংবগী পান্দমদা মসি পাঙথোকপনি।

হন্দক্কী চহি অসিদা মহৈরোই ২১৮ না কলেজ ২৯ গী মীখলদা লান্বা তৌনখি। থৌরম অসিদা মহৈরোই ২১৮ মক পুন্না ওকপনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

থৌরম অদুগা মরি লৈননা জোইন্ট ষ্টুদেন্টস কো ওর্দিনেসন কম্মিতিগী কনভেনর অমসুং এম এস এফকী প্রসিদেন্ট এন জি মিলননা হায়, ঙসিগী থৌরম অসিগী মপুং ওইবা পান্দম অসি মহৈরোই লুচিংবশিংনা য়ুনিয়নশিংদা মখোয় মখোয়না পায়রিবা সেক্রেটরিশিপ অদুদা মহাক মহাক্কী অঙম্বা থৌদাং লৌনবা খন্নবগা লোয়ননা ইশু কয়াদা মখোয়না চংশিনবদা অকিবা য়াওদনা চংশিনবা ঙমহন্নবা অমসুং মখোয়দা মরমদম নুংশিবগী ৱাখল ফাওহন্নবা পান্দমদা শিনবনি।

জে এস সি সিগী মায়কৈদগী থম্নিংবা ৱাফম পল্লদুনা মহাক্না হায়, চহি অমগী টার্ম অসিদা মখোয় মখোয়না অঙম্বা থাক্তা কলেজ নত্রগা ইন্সটিট্যুসনশিং অদু মপুং ফাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট নত্রগা এদুকেসনগা মরি লৈনবা পোলিসিশিং শেমদুনা চৎনরিবা সিষ্টেম অদু য়েংলগা তঙাইফদ্রবদি হেন্না ফাবা সিষ্টেম অমা লাকহন্নবগীদমক পোরমশিং য়াৎপা মথৌ তাই।

মখোয়না ফম পায়রিঙৈদা মদুগী চারাশিং শেম্বীরম্বা তারবদি মদুনা তুংগী পাম্বীশিং ওইনা শেমগৎনবা হোৎননবা লম্বী অমা শেমগৎপা দরকার ওইরে হায়খি।

মণিপুরীশিং অসি হিরম খুদিংমক্তা চংশিনবা মতমদা মখোয় মখোয়গী মতিং মথৌনা অদু উৎথোকপা ঙম্মী হায়বা উৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

থৌরম অদুদা এমসুগী প্রসিদেন্ট মঞ্জিৎ সরাংথেম, সুককী প্রসিদেন্ট এন গোবিন মৈতৈ অমসুং কে এস এগী প্রসিদেন্ট এন চেটনসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

# মপান লমগী পেকেটকী অচাপোৎশিংনা হেন্না ফৈ খনবগী ৱাখল থাদোক্লসিঃ শ্যামকুমার

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩(এস এন এস) ঃ

মণিপুরীশিংগী ৱাখলদা মপান লমদগী পুশিনলকপা পেকেট তৌরবা অচাপোৎশিংনা হেন্না ফনা লৌবগী ৱাখল অসি থাদোক্লসি হায়না হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী লাইরিকয়েংবম লৈকাইদা লৈবা এম। এস রিমা ফুদনা শিন্দুনা মসিগী ইন্টিগ্রেটেদ পেক হাউস অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা মিনিষ্টরনা হায়, পীক্লবসু পীক্না লমদম অসিদা রিমা ফুদসনা কন্না হোৎনদুনা চান্ন থক্লবগী পোৎলম কয়া নিংথিজবা মওংদা পুথোক্লকপা অসি থাগৎনিঙাইনি।

মণিপুর মীয়াম্না মপান লমদগী পুশিনলকপা পেক তৌবরা অচা অথকশিংনা হেন্না মগুন লৈবগুম লৌনবগী ৱাখল অসি থাদোকপা মতম ওইরে। মখোয়দগী লমদম অসিদা পুথোক্লিবা পোখোকশিং অসিনা তাবা নত্তে হায়খি। লমদম অসিগী চাকহাউগী পোখোকশিং অসিগী মগুন অতৈ ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মীয়াম্না খঙনরবনি। মীয়াম্না ষ্টেট অসিদা নৌনা মচিন তুমখৎলক্লিবা এন্টরপ্রেন্যুর কয়াবু পুক্লিং থৌগৎপীবা দরকার লৈ।

এন্টরপ্রেন্যুর অমনা লমদম অসিদা ফংজবা ওর্গানিক্কী ওইবা পোৎলমশিং নিংথিজনা পেক তৌদুনা পুথোরকপদা অতোপ্পা অমনা নমথনবা নত্রগা চিংথনবা হোৎনবগী ৱাখল থাদোকসি হায়খি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, চাকহাউগী চানবা মখল কয়া অসি মালেমগী মফম কয়াদা নিংথিনা ফংদে। রিমা ফুদসনা পুথোক্লিবা চাকহাউগী চা য়াওনা চাকহাউদগী শাবা চিঞ্জাক মখল কয়া অসি পুথোক্লিবা অসিদগী মপাললমদগী পুশিনলকপা পোৎলমশিংনা ফবা নত্তে হায়খি। মহাক্না মখা তানা হায়, নুপী অয়াম্বনা চৎনবী অমা ওইনা ক্না জর্দা তাবগী হৈনবী অমা লৈরিবা অসি তোকসি। মীপুম খুদিংমক থবক শুবা নোঙ্গী হৈনবী থম্লসি। থৱায় য়াওবা লৌমীশিংদা লৈঙাক্না পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়খি। অদুগুম্বা নহাশিংদা ষ্টার্ট অপকী মখাদা শেম্মং পীগনি। বেঙ্কনা লোন মতিক চানা পীহনগনি হায়খি।

এম ও ভি সি দি এন ই আরগী মখাদা হাংদোকখিবা ইন্টিগ্রেটেদ পেক হাউস অদু শঙ্গাবগী থৌরমদা মোমাগী প্রোজেক্ট দাইরেক্টর কে দেবদত্ত শর্ম্মনা হায়, মোমা অসি মণিপুর লৈঙাক্কী এগ্রিকলচর লোয়শং অমসুং হোর্টিকলচর লোয়শংনা পুনশিল্লগা শেম্বা লৈঙাক্কী এজেন্সি অমনি। ইং ২০১৫–১৬ তগী হৌরকখিবা মোমানা মিসন ওর্গানিক ভেল্যু চেইন দিভলপমেন্ট ফোর নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনগী শেম্মং মখাদা ওর্গানিক্কী ওইবা পোৎলম কয়া পুথোক্তুনা লাক্লি হায়খি। মণিপুরগী চীং অমসুং তমদা মোমাগী মখাদা লৌমী লিশিং ৫ রোমদা ওর্গানিক্কী ওইবা পোৎলমশিং পুথোক্তুনা লাক্লিবনি। মণিপুরগী ওর্গানিক্কী পোখোকশিং অসি মালেমগী কৈথেলদা থাদোক্লবা হোৎনদুনা লাক্লিবনি। উ মোরোক, য়াইঙং, শিং, কমলা, চম্প্রা অমসুং কিহোম্নচিংবা পোখোক কয়া মালেমগী কৈথেলদা ফংহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লিবনি। মোমানা ওর্গানিক্কী ওইবা লৌউ শিংবগী মতাংদা চীং অমসুং তমদা ৱাখল তামিন্নবগী থৌরম কয়া পাঙথোকপগী মথক্তা শেম্মং পীদুনা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খত্তুনা লাক্লি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী দাইরেক্টর কে কিপগেন, লাইফম খুল্লৌ জিল্লা পরিষদকী মেম্বর এল ওলেন, লিক্লাগী মেনেজিং দাইরেক্টর টি ঐচ জয়কুমার, নেদফিগী মেনেজর প্রিয়োবর্ত্তনসু শরুক য়াখি।

# ওজাশিং য়ুটিলাইজেসন তৌবনা চীংগী মহৈরোইশিংদা অচৌবা শাফু পীরি ঃ টি এস এ সদর হিলস

কাংপোকপী, দিসেম্বর ২৩(এস এন এস) ঃ

চীংগী স্কুলশিংগী ওজা কয়া অতোপ্পা দিপার্টমেন্টশিংদা য়ুটিলাইজ তৌবা লোয়ননা ওজা মহুৎ শিল্লগা থবক তৌবনা মরম ওইরগা চীংগী মহৈ মশিং তম্বদা অচৌবা শাফু পীদুনা লৈরি হায়না থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন, সদর হিলসনা ফোঙদোরক্লি।

পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা এসোসিয়েসন অসিগী এদুকেসন সেক্রেটরি পাউমিনলুন লৌভুমনা হায়, চৎলিবা চহি অসিগী এপ্রিল থাদগী হৌদুনা টি এস এ সদর হিলসনা কংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা হকথেংননা চত্তুনা মদুগী ফিভমশিং য়েংশিন্দুনা লাকপনি।

লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি অনিনা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমনা য়েংশিন খোঙচৎ অদুগী মখা চত্থরকপা ওইনা সাইতু হায়স্কুল, হেঙবুং হায়স্কুল, বিষ্ণুলাল হায়স্কুল, মোটবুং হায়স্কুল, থোঙলাং অকুটপা হায়স্কুল, চালৱা হায়স্কুল, ইরং পার্ট–টু হায়স্কুল, মাওহিং জুনিয়ার হিন্দি (এদেদ) হায়স্কুল, কাঙচুপ চীংখোঙ জুনিয়ার হায়স্কুল, বুংতে চিরু হায়স্কুল অমসুং জে এন ভি কাঙপোকপীদা চত্তুনা য়েংশিনখি হায়রি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা লৈঙাক্কী স্কুলশিং অদুদা অঙাংশিংদা মিদ দে মিল নিংথিনা পীরমদবা, ওজা অয়াম্বা অতোপ্পা দিপার্টমেন্টশিংনা য়ুটিলাইজ তৌরম্বা, ওজা খরগীনা মহুৎ শিনলম্বা অমসুং ওজাশিং চাং নাইনা কারমদবা কয়া থেংনখি হায়খি।

মসিদা নত্তনা স্কুল খরদা ক্লাসরুমশিং ফিভম চাদবা, ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং ৱাৎপা, স্কুল চংবা লম্বীশিং ফিভম ফত্তবা, ক্লাসরুমশিং খাদবা, তোইলেটনচিংবা মওং মরিল তাদবা কয়া য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা থেংনরকখি।

বুংতে চিরু হায়স্কুলগী ওইনা ওজা তঙ্খায় অমদি অতোপ্পা দিপার্টমেন্টশিং অমসুং স্কুলশিংদা য়ুটিলাইজ তৌখিবদগী ওজা মশিং য়াম্না য়ামদনা লৈরম্বা থেংনখি। সাইতু হায়স্কুলদসু অয়াম্বা ওজাশিং য়ুটিলাইজ তৌবা অমসুং ওজাশিং চাং নাইনা কারমদবা থেংনখি হায়খি।

বিষ্ণুলাল হায়স্কুলদা মহৈরোই ৫৩০ রোম লৈরবসু ওজা ১৩ দি অতোপ্পা দিপার্টমেন্ট অমসুং স্কুলশিংদা য়ুটিলাইজ তৌখিবদগী ওজা মতিক চানা লৈরমদবা থেংনখি। লোয়ননা থাদৌ (এম আই এল) লৌবা মহৈরোই কয়া লৈরবসু সবজেক্ট অসি তাকপীনবা ওজা লৈরমখিদে।

কাঙচুপ চীংখোঙ জুনিয়ার হায়স্কুলদা ক্লাস রুম অনিখক লৈরমখি। লোয়ননা ওজাগী কা লৈরমখিদে। লৈঙাক্না লেম্না পীবা স্কুল য়ুনিফোর্ম পাঙজাং হায়স্কুলদদি ফংলমখিদে। মোলকোন হায়স্কুলদসু ওজা য়ুটিলাইজেসন তৌবগী চৈথেং নংলম্বা থেংনখি।

চালৱা হায়স্কুলদা হেদ মাষ্টর লৈরমদবা, ক্লাসরুমগী ফিভম চাদবা, তোইলেট মতিক চানা লৈতবা, ওজা অমসুং নন টিচিং ষ্টাফগী ৱাৎলম্বা থেংনখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ওজাশিং অতৈ স্কুলশিং, ওফিসশিংদা য়ুটিলাইজেসন তৌখিবা অসিনা মরম ওইরগা মহৈরোইশিংদা মহৈ মশিং তম্বদা চাউনা অকায়বা পীহনলে।

ওজাশিং য়ুটিলাইজেসন তৌহন্দনা মপুং ফানা মখোয় মখোয়গী স্কুলশিংদা লেঙদবা লৈহনবা অমসুং অৱাৎপা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং নিংথিনা হাপ্পীবা অমসুং তোইলেটনচিংবা খুদোংচাবা নিংথিনা পীবিদুনা লাক্কদৌরিবা একাদমিক সেসন অসিদগী মপুং ফানা মহৈ মশিং তম্বা ফংহনবীনবা লৈঙাক্না মীৎয়েং চংবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

# খৃষ্টমাস কুম্মৈগা মরী লৈননা খুদোল তমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩(এস এন এস) ঃ

লমদম অসিদা খুন্দারিবা খৃষ্টান লাইনিং চৎপা মীওইশিংগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ খৃষ্টমাস কুম্মৈগা মরি লৈননা থাংমৈবন্দ কেন্দ্রগী এম এল এ কে ঐচ জয়কিষননা কেন্দ্র অসিগী মপুং চনবা তাইবেল খুলশিংগী মীওইশিংদা খুদোলপোৎ পীখ্রে।

থাংমৈবন্দ কেন্দ্রগী মনুং চনবা তরুং খুল, গুইগাইলোংনচিংবা মফমশিংদা থাংমৈবন্দ কেন্দ্র ত্রাইবেল ফোরম, তকদোগী ত্রাইবেল ৱেলফেয়ার য়ুথ ফ্রন্টকা খুৎশম্নরগা য়ুম য়ুমদা চংদুনা অহল ওইরবা খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংবু খনগৎলগা কুম্মৈ অসিগী মাঙওইননা কম্বলশিং খুদোল তমখিবনি।

থৌরম অদুগা মরি লৈননা এম এল এ কে ঐচ জয়কিষননা হায়, খৃষ্টমাস কুম্মৈনা লাকপদা কেন্দ্র অসিখক্তদা লৈরিবা খৃষ্টান লাইনিং চৎপা কাঙবুদা নত্তনা মণিপুরদা খুন্দারিবা লাইনিং অসি চৎপা মীপুম খুদিংমক নুংঙাইবা য়াইফবা, চাউখৎপা, শান্তি লৈবা পীনবীবা ওইসনু। লোয়ননা মণিপুর অসি হেন্না চাউখৎপা লমদম অমা কুম্মৈ অসিনা লাকপদা পুরকপা ওইরসনু হায়খি।

মমাংথক্তা লৈরমখিবা অৱাবা নুংঙাইতবা কয়া কাওথোক্লদুনা অশোয় অঙাম পুম্নমক অমনা অমবু ঙাকথোক্লদুনা হেন্না মাঙলোমদা চংশিনবা পুন্সি মরেল অমদা চংশিনবা ঙম্বা ওইরসনু হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ৱার্দ নম্বর ১গী কোর্পোরেটরসু ওইরিবা তকদো ত্রাইবেল ৱেলফেয়ার য়ুথ ৱিংগী প্রসিদেন্ট গাইদোন গাংমৈনা হায়, থাংমৈবন্দ কেন্দ্র অসি কাঙলুপ কয়া শুনা খুন্দাবা লমদম অমনি। খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংগী খৃষ্টমাস কুম্মৈনা লাকপদা কেন্দ্র অসিগী এম এল এ কে ঐচ জয়কিষননা খুদোলপোৎ পীদুনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীবা অসিমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়খি।

ত্রাইবেল ফোরগী চেয়ারমেন মুকেনপৌ পানমৈনা হায়, থাংমৈবন্দ কেন্দ্রদা মমাংদা পানখিবা এম এল এ অমত্তনা খৃষ্টমাস কুম্মৈগা মরি লৈননা খুলগী অহল লমনশিংদা ফি ইনবিবা অমদি য়াইফ পাউজেল পীবগী থৌরম ঙসি পাঙথোক্লিবা অসিগুম্না পাঙথোকখিবা লৈত্রি।

থংমৈবন্দ কেন্দ্রগী এম এল এনা খুল অসিদা লাক্তুনা অহলশিংদা মমল য়াম্বা য়ামদবা থিদনা খুদোলপোৎ অমমমতা ওইরবসু ফংহনবা অসি নুংঙাইবা ফাওই। লোয়ননা মীয়াম্নস ঈশ্বরগী মফমদা শোয়দনা থৌনিগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

এম এল এ কে ঐচ জয়কিষননা খুদোলপোৎ পীবা অদুদা খুলশিং অদুগী অহলশিংনা থাগৎপগা লোয়ননা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

# অব্দুল গ্রাফরগী হকচাং শিনা শিনরকপদা কোহরনা কন্দেম তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ ঃ ময়ুমদগী থোং নমখাইরগা ফাখিবা এম দি অব্দুল গ্রাফরবু অশিবা হকচাং ওইনা শিন্নরকপগী থৌওং অদুবু কম্মিটি ওন হ্যুমেন রাইটস (কোহর) মণিপুরনা কন্দেম তৌখ্রে।

কম্মিটি অসিনা ঙরাং থোকখিবা চেরোলনা হায়, হৌখিবা দিসেম্বগী তাং ২০ গী অহিং পুং ২.৩০ রোম তাবা মতমদা ২৬ শুবা এ আর অমসুং থৌবালগী সি দিওগী কম্বাইন্দ টিম্নি হায়বা কাঙবু অমনা এম দি অব্দুল গাফর এলাইজ সয়িদ অপোকপা বাবুমচা উশোয়পোকপী মখা থারোক লৈকাই, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টপু য়াম্না তমথিবা মওংদা য়ুমগী থোং কাওখায়দুনা অমদি মাল–চাং কয়া থুগায়দুনা চঙলগা মহাকপু ইমুং মনুংগী মমাঙদা ৱাফম অমত্তা হায়রমদনা অমদি এরেষ্ট মেমো ফাওবা পীরমদনা, সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর ঙাক্তনা, নম্ফু শাফু শা–ঙাগুম ফারগা পুখিবা অদুগা অশিবা হকচাং ওইনা শিন্নরকপা অসি কন্দেম তৌরি।

ইন্দিয়ান সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চত্থরক্লিবা মীহাৎ মীপুন, মীওৎ মীনৈ অসিগী মথক্তা লো ইনফোর্সিং এজেন্সি ওইদুনা মশানা লো পায়রিবা মণিপুর পুলিসশিংনসু শাশিন্নবা খুৎ থোক্লবগী মিংদা মীহাৎ–মীহুন কয়া চত্থবগী ৱপ্পফম মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফম্নি। মণিপুর পুলিসনা খুৎ থোক্লবগী মিংগী মীহাৎশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা জুলাই ২৩গী খ্বাইরম্বন্দ বাজারগী মতুংদগী অচৌবা অমদি অকনবা মীয়ামগী খোঙজং ময়ামদগী ফেক এনকাউন্টর (এফই), এক্সত্রা জুদিসিয়েল এগজিক্যুসন (ই জে ই), ইনভোলুন্টরিলি ইনর্ফোরস দিসএপিয়ারেন্স (আই ই দি) অমসুং কষ্টদিয়েল কিল্লিং ময়াম অমা লেপ্পুরবা মতুংদা হন্দক অমুক ইনৌ নৌনা সো কোল কম্বাইন্দ ফোর্সকী মিংদা চত্থরিবা কষ্টদিয়েল কিল্লিং অসি মণিপুর মীয়াম্না লুম্না লৌরোইদবগী মরম লৈতে হায়বসি ঙসিগী লৈঙাক মপুশিংনা খঙবিবা মথৌ তাই।

অমরোমদা মণিপুরদা আর্মিশিংনা অফস্পাগী মরুমদা অমসুং মণিপুর পুলিস (অফস্পাগী পৱার য়াওদবা) গী দি–ফেক্টে–ইমপ্যুনিটিগী মখাদা চত্থিবা মীহাৎ মীপুন অমদি মীওৎ–মীনৈগা মরী লৈননা হৌজিক হৌজিক সুপ্রিম কোর্ট (এস সি)তা কেস ১৫২৮ মনুংদা হান্না অখন্নবা কেস খরা হেন্না হিয়ারিং চত্থরি। ইন্দিয়াগী অপেক্স কোর্ট অসিনা মরাল লৈবা সেক্যুরিটি পার্সোনেল অমত্তা লেম্না থারোই অমদি মতিক চাবা চৈরাক পীগনি হায়না ফাওবা লাউথোকপা লৈখ্রে। এস সিনা স্পিসিয়েল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) সি বি আইগী মখাদা শেম্লগা মরাল লৈবা সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিংগী মথক্তা থিগৎনবা ওর্দরগী মতুং ইন্না আর্মি অমদি ষ্টেট পুলিসশিংগী মথক্তা চার্জ সিট লেপ্পা লৈতনা থাগৎলক্লি। শম্না হায়রবদা মীওই খুদিংমক লোগী মরমদা য়াম্না সেন্সিটিভ ওইবা মতম্নি। মসিগী মথক্তা আর্মিপুলিসশিং মরক্তগীসু মখোয়না চত্থিবা অরোনবা মীহাৎ কয়াগী মতাংদা লেপ্তনা কোর্টতা এফিদভিট থাগৎনরক্লি। অরোইবদা দ কোহর, মণিপুরনা মীহাৎ অসিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সি অমদি লমদম অদোমগী মীয়াম্না মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবা আর্মি অমসুং পুলিস পার্সোনেলশিংগী মথক্তা মতিক চাবা চৈরাক পীনবা দিমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং কয়া পাল্লিবা গভর্ণমেন্ট অসিগী মথক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক্তা শরুক য়াগনি। লোয়ননা সরকারনসু ঙসি ফাওবা মরাল লৈবা সেক্যুরিটিপুলিস পার্সোনেল অমত্তা মতিক চাবা চৈরাক পীখিবা লৈতবনা এস এফ খরনা মীওইবগী মথক্তা মনিং তৌনা ক্রাইম কয়া চত্থরকপনি হায়রি।

# তুংলমচত্তা কান্নগদবা এদুকেসন পীবদা মীৎয়েং...

*লমায় ১গী মখা*

য়ুনাক্কো স্কুলনা অদুগুম্বা এদুকেসন সিষ্টেম অমা পীনবা হোৎনদুনা লাকপনি হায়খি।

মসিগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা এদুকেসন সেক্টরদা মণিপুর অসিবু অফবা সমাজ অমা ওইনবা অমসুং চাউখৎপা, তংদু লৈতাবা, শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইহন্নবা য়ুনাক্কো গ্রুপনা হোৎনরকপনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঙসি হাংদোক্লিবা ৱেবসাইট অসিদা মপুং ওইনা অহানবা য়ুনাক্কো স্কুল ওইরিবা খোঙমনগী স্কুল অমসুং অনিশুবা য়ুনাক্কো স্কুল মৈত্রমগী স্কুল অসিদা করি করি খুদোংচাবশিং পীরিবগে হায়দু, করম্না অঙাংশিং তাকপী তম্বীরি, করম করম্বা ক্রাইটরিয়াদা স্কুল চল্লাইহরিবগে হায়বসি ৱেবসাইট অসিদগী খঙবা য়াগনি।

য়ুনাক্কো স্কুল অসি প্রি নর্সরিদগী ক্লাস সেভেন ফাওবা রেজিষ্ট্রেসন অমসুং মীং চনবগী থবক চত্থরি। লোয়ননা এপ্রিল থাদগী ক্লাস হৌনবা শেম শারি। য়ুনাক্কো স্কুল মৈত্রম অসি লাক্লিবা ফেব্রুৱারি থাদা শঙ্গানবা পান্দম থম্লি।

য়ুনাক্কো গ্রুপনা স্কুলদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা চংশিল্লিবগী মরমদি ঙসিদগী হৌখিবা চহি চা ২গী মমাংদগী মীওইবনা অদুক্কী মতিক খুমাং চাউশিনলকপা অসি করিদগীনো হায়না নৈন্নরকপদা মসিগী মপুং ওইবা মরম অসি এদুকেসন্দগীনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা মত পীরম্মী।

য়ুনাক্কো স্কুলনা চত্থরিবা এদুকেসন সিষ্টেম অসি মপুং ওইনা মালেমগী ওইনা হোংলক্লিবা তেক্নোলোজি অমসুং আই টিগী খুমাং চাউশিনবা অসিদা এদুকেসন সিষ্টেমদা হোংদবা য়ারক্ত্রে।

চহি ২০–৩০ গী মমাংদা লৈরম্বা এদুকেসন সিষ্টেম অসিদা অফবা ময়াম অমা য়াওরবসু মসি শেমদোক্তবা য়ারক্ত্রে। পরিক্ষাদা মার্ক ফংনবা চিনফা পুবা, ওজানা তাকখিবশিং নিংশিংলগা পরিক্ষাদা ইবা অসি ঙাক্তা ওইনা তৌই। অদুবু মসিগী থবক অসিদি মেছিননা হেন্না ফনা তৌবা ঙম্মী।

মেছিন্না মীওইবদগী হেনগৎলগা চৎখিবা তারবদি মীওইবদা থবক ফংদবগী চাং হেনগৎলক্কনি। মীওইবনা তৌবা য়াবা থবক কয়া মেছিননা তৌদুনা চৎখিগনি।

মীওইবনা পীগদবা এদুকেস অসি মেছিননা তৌবা ঙমদবা এদুকেসনগী দরকার লাক্লে। মীওইবনা তৌবা ঙম্বা থবক মেছিননা কৈদৌঙৈদসু তৌবা য়ারোই হায়খি। ঐখোয়না ওজানা তাকপা চিনফা পুরগা ইবাখক্তা নত্তনা ক্রিয়েটিভিটি, ইনোভেসন, টিম ৱার্ক কো ওপরেসন অসিনচিংবশিং অসি য়াওদ্রবদি ঙসিগী মহৈরোইশিং তুংদা থবক ফংদবগী প্রোব্লেম লৈখিবা য়াই হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ইদিটর গিল্ড মণিপুরগী সেক্রেটরি য়ুম্নাম রুপচন্দ্রনা হায়, ইন্টরনেটনা মালেম অসি ঙমখৈ লৈতবা মালেম অমা ওইহল্লে। ষ্টেট অসিদা অফবা স্কুল লৈতবনা মরম ওইরগা লমদম অসিগী মহৈরোই কয়া শিল্লোং, দার্জিলিংনচিংবা য়াওনা মপানগী ষ্টেট কয়াদা মহৈ তম্নবগীদমক চৎনরি।

মণিপুর অসি করিগীদমক এদুকেসনগী অচৌবা হব অমা ওইহনবা ঙম্লোইদৌরিবনো হায়খি। মণিপুর অসি মেন্যুফেকচরিং য়ুনিট মশিং খরা লিক্লবসু আই টি অমসুং এদুকেসনগী লমদা অকনবা ৱার্কফোর্স অমা ওইবা ঙম্লে।

মণিপুরগী হ্যুমেন রিসোর্চ অসি মালেমগী লৈবাক কয়াদা পাক শন্না শন্দোকখ্রে। মখোয়নসু ষ্টেট অসিদা মীৎয়েং থম্নরক্তবা নত্তে। মতম অসিদা মণিপুরবু এদুকেসন হব অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা য়ুনাক্কোনা লৌরক্লিবা খোঙথাং অসিদা পুম্নমক্না মতেং পাঙশিনবা দরকার লৈ হায়খি।

এক্ট ইষ্ট পোলিসি লাকপা মতমদা ম্যানমারগী মীওইশিংনা এদুকেসনগী মঙাল ফংনবগীদমক থাইলেন্দ সিঙ্গাপুরনচিংবা ষ্টেটশিংদা মহৈ তম্নরিবা অসি খুদোংচাবা ফংলবদি মণিপুরদা লাক্তুনা মহৈ তম্বনা মখোয়দা হেন্না খুদোংচাবা লৈরিবনি। মরম অসিনা অসিগুম্বা লৈবাক্কী পুক্লিং চিংশিনবা য়ানবা হোৎনবা তাই হায়খি।

থৌরম অদুদা য়ুনাক্কো স্কুলগী একাদমীক দাইরেক্টর অলোক কুমার মোহন্তিসু শরুক য়াখি।

# চীফ মিনিষ্টরনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩(এসএনএস)ঃ

তোঙান তোঙানা নুংতি ফোংবা পাউচেশিংগী ইদিটর ওইরম্লবা সেনিয়ার জর্নেলিষ্ট য়েন্দ্রেনবম মঙ্গি নিংথৌজানা ইখঙ খঙহৌদনা থা অসি ২০দা মহাক্কী পাউনা বাজারদা লৈবা য়ুমদা লৈখিদবা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফাওই। মহাক চোকথবা নাইদনা অরোইবা মীকুপ ফাওবা জর্নেলিষ্ট ওইনা থবক তৌরম্মী। মহাক্কী তপ্না ঙাংবা অমদি হরাও তরাম্বা গুন অদুনা ষ্টেটসিগী মেদিয়া ফ্রেটরনিটিনা নিংশিংদুনা লৈহৌবদা নত্তনা ষ্টেটসিগী অফবা মীওই অমা মাংজবা হায়বদু ওইরগনি। মহাক্কী ইমুং–মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না চিফ মিনিষ্টরগী অৱাবা ফোংদোকপগী চেরোলনা হায়রি।

অমরোমদা এডিটরস গীল্ড মণিপুরনসু পাউমী য়েন্দ্রেম্বম মঙ্গী নিংথৌজা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙখ্রে। মহাক্না খুন্নাই অসিদা লৌরম্বা থৌদাংশিং অদুবু ঙসিগী অৱাবা ফোঙবগী মীফম অদুদা নীংশিংনখি।

# সুনামিনা ইন্দোনেসিয়াদা মীওই ২২২ শিহনখ্রে

জকরটা, দিসেম্বর ২৩ঃ

মৈগী চীং পোকখাইবগী থৌদোক্না মরম ওইরগা থোরকপা সুনামিনা ইন্দোনেসিয়াগী সুন্দা ষ্ট্রেপতা মীওই ২২২ শিহনখ্রে অমসুং মীওই চা কয়ানা অশোক –অপন নঙখ্রে।

মাঙজৌননা চেকশিনজনবা মখলগী ৱানিং অমা ফাওবা পীরকপা লৈখিদবনা মী শোকপগী চাং য়াম্না ৱাংখি অমসুং মীওই কয়া অমসু থিবা খঙদ্রি। মরম অদুনা অশিবা মীগী মশীং তপ্না–তপ্না হেনগৎলকখিগনি হায়রি।

সুমত্রগী খা থঙবা শরুক্তা লৈবা ক্রকাতোদা থোকপা চাইল হায়না মিংথোনবা মৈগী চীং অদু হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং পূং ৯ লোম তাবদা পোকখাইরকখিবনি। হায়রিবা মৈগী চীং পোকখাইরিবা মফম অদু সমুদ্রগী ঈরোলনুংদা লৈখিবা মফম ওইবনা পোকখাইরকপগী শাফু অমনা পামদবা থৌদোক কয়ামরু থোক্লকপনি হায়রি।

# ৱাঙ্খেদা নোংমগী ওইবা ওরেন্টেসন ৱার্কসোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ ঃ রিজনেল আউটরিচ বিউরো (আর ও বি), ইম্ফাল অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অনীনা পূন্না খুৎশম্নদুনা ঙসি ৱাংখৈ য়োংলান লৈরক্তা লৈবা আর ও বিগী ওদিটোরিয়মদা স্বচ্ছ ভারত মিসন হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা ওরিয়েন্টেসন ৱার্কসোপ পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ৱার্দ নম্বর ১৯ গী কোর্পোরেটর য়ুম্লেম্বম লুকমনি দেবীনা থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা হায়, স্বচ্ছ ভারত মিসন মায় পাকহনবা হায়বসি লৈবাক মীয়ামগী খুৎতা লৈ। লৈঙাক, লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা কন্সর্ন দিপার্টমেন্ট অমসুং লৈবাক মীয়াম্না পূন্না থবক তৌমিন্নরবা মতমদা খক্তা মিসন অসি মপুং ফানা মায় পাক্কনি। মী উদবনি হায়দুনা তুরেলদা, ইরম–নালাদা অমদি লমহাং–তুমাংদা ফত্ত–হাওদি লংথোকপিগনু।

য়ুম–য়ুম খুদিংগী থোরকপা সোলিদ ৱেষ্ট অসি ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসনগী মখাদা থবক তৌবা এন জি এগী খুত্থাংদা পুহনবিয়ু। লোয়ননা দুর টু দুর কলেক্সন অসিদা য়াওবিদুনা মিসন অসি মায় পাকহনবিয়ু। মসিদসু নত্তনা সেনিটরি লেত্রিন শাবিয়ু। সেনিটরি লেত্রিন শানবগীদমক্তা লৈঙাক্না পীবা স্কিমগী খুদোংচাবা লৌদুনা, সেনিটরি লেত্রি শাবিয়ু। ইশা–ইশাগী ইমুং অমসুং অকোয়বগী ফিবম লু–নালহনবনা স্বচ্ছ ভারত মিসন মায়পাকহনবদা চাউনা মতেং ওইগনি।

মহুদকী রিটয়ার্দ দাইরেক্টর নেপ্রম গীটকুমারনা ইকায় খুম্নরবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা হায়, স্বচ্ছ ভারত মিসন মায় পাকহনগে হায়রবদি অহানবদা মীয়ামদা মিসন অসিগী মরমদা খঙহনবা মথৌ তাই। ইন্দিয়াগী তোঙান–তোঙানবা ষ্টেটশিংদদি মিসন অসি নীংথিনা খঙঙি। মিসন অসিগী মতাংদদি ইন্দোর সিটি খ্বাইদগী খঙই।

মহাক্না হায়, স্বচ্ছ ভারত মিসনগী থবক–থৌরমশিংসি মপূং ফানা মায় পাকহনগে হায়রদি হিরমসিগী মতাংদা সিটিজন ফিদবেক য়াম্না মথৌ তাই। মিসন অসিবু মীয়ামদা খঙহন্নবা মখল খুদিংমক্কী মেদিয়াগী মতেং লৌগদবনি লোয়ননা এৱার্নেস অমসুং কেম্পেইনসু তোই তৌগদবনি।

আর ও বি ইম্ফালগী এ ওব দি দি ও কে সোনিকুমার সিংহনা থৌরম মপু ওইখি। মতুংদা টেক্নিকেল সেসনসু পাঙথোকখি।

# কিসোরচান থাদোকহন্ননবা সি পি আইনা ৱারেপ লৌরেঃ সোটিনকুমার

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ঃ

কম্যুনিস পার্টি ওফ ইন্দিয়ানা শিন্দুনা থা অসিগী ১৮–২১ ফাওবা অন্ধ্রপ্রদেসকী বিসাখাপতনমদা পাংথোকখিবা সি পি আইগী নেসনেল কাউন্সি মিটিঙদা মণিপুরগী জর্নেলিষ্ট কিসেরচান ৱাংখেমগী মথক্তা বি জে পি লৈঙাক্না মরমচাদনা এন এস এ পানলিবসি লৌথোকহনগদবনি হায়বগী অকনবা প্রেসর পীরমলৈ হায়না কমরেত এল সোটিনকুমারনা হায়খি।

ইম্ফালগী বি টি রোদতা লৈবা ইরবত ভবনদা ঙসি নুংথিল পাংথোকপা পাউগী মীফমদা এল সোটিনকুমারনা ৱাফমসি পাউমীশিংদা ফোংদোকখিবনি। মহাক্না মখাতানা হায়, জর্নেলিষ্ট কিসোরচানগী মথক্তা এন এস এ পানশিন্দুনা মহাকপু ফাবা অসি সি পি আই নেসনেল কাউন্সি অমসুং সি পি আই মণিপুরনা অকনবা মওংদা কন্দম তৌই। লোয়ননা অথুবা মতমগী মনূংদা কিসোরচানবু দ্রকোনিয়েল লো এন এস এদগী রিলিজ তৌগদবনি হায়নসু দিমান্দ তৌখি।

নেসনেল কাউন্সিল মিটিং অদুদা লৌখিবা ৱারেপকী মতূংইন্না সি পি আইনা ভারত সরকার অমদি মণিপুর গেভর্ণন্টে অনীমক্তা জর্নেলিষ্ট কিসোরচানবু তাদোকহন্ননবা অকনবা প্রেসর পীগনি বি জে পি লৈঙাক্কী মরমদা কিসোরচান্দনা ফেসবুককী খুৎথাংদা অথিবা ৱাহৈ–ৱাতা শিজিন্নৈ হায়বগীদমক্তা এন এস এ পান্দুনা ফাবা অসি বি জে পি সরকারগী কাহেনবা লিচৎনি। বি জে পি অমসুং আর এস এস কী হিন্দুত্ব পোলিটিক্স অসিদা চিফ মিনিষ্টর বিরেন মীৎ তাংবগা পাংখক ওইরে। বি জে পি, রাষ্ট্রিয়া সৱান সেভক সঘা গী হিন্দুত্ব পোলিটিক্সকী শানপোত ওইরবা এন বিরেন অমসুং বি জে পি লৈঙাক্কী মরমদা চৈবা ভিদিও ক্লিপ নবেম্বর ২১ দা ফেসবুকতা থাগৎলুবগী এন এস এ পানবসি য়ানীংদে। কনাগুম্বা মীওই নৎত্রগা কাংলূপ অমগী মতাংদা য়াম্না তাথিবা তাবা নুংঙাইতবা ৱাহৈ–ৱাতা শিজিন্নদুনা ঙাংশকপদা সি পি আইনা কন্দেম তৌই। মতম খুদিংদা অসিগুম্বা থবক্কী মাইয়োক্তা লৈগনি।

অদুবু মরম চাদনা এন এস এ হেক্তা পানবা অসিদি শক্তি পাই হায়দুনা শক্তি লাননা শিজিন্নরকপদদি সি পি আইনা য়েংদুনা লৈরোই। মরাল অদুগীদমক্তা কিসোরচান্দ আই পি সি সেক্সনগী মখাদা ফারুরবনি অদুগা নবেম্বর ২৫দা বেলদা থাদোকরকপনি।

বেলদা থাদোকখিবা নুমিৎ নীনি লৈরগা মহাকপু এন এস এ পানশিন্দুনা ফাজিনখিবা অসিদি লৈঙাক্কী কা হেনবা লিচৎনি। লোকোর্টকী থবক্তা বি জে পি লৈঙাক্না খুৎ থিংজিনগনু, লো কোর্ট অসিসু বি জে পি লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা নত্তে হায়না নিংশিংখি।

মণিপুরগী লৈঙাক্না মেদিয়াগী ফ্রিদমদা নুংঙাইতবা ফাওবা লোয়ননা বি জে পি লৈঙাক্কী অফ–ফত্ত নৈনবদা এন এস এ পানলিবসি দিটেক্টরসিফ অমদি এনটোক্রেটিক... ওইবা লৈঙাকনি হায়বা তাকপনি।

মহাক্না মখাতানা হায়, ম্যন্মার অমসুং ইন্দিগী লৈনরিবা মরি ফগৎনবা অমসুং ম্যন্মর পেনহন্ননবগীদমক্তা মণিপুরগী লম ম্যন্মরদা পীথোকপা, বোর্দর পীল্লর নম্বর ৮১ গী চয়েৎনবগী মতাংদা ৱারোইশিন পুরকউ, সিটিজনসিফ অদুদা মরিকচুন্না পুখৎখি।

মণিপুর অসি ইং–তপলে নুংমিদংদা কুম্মৈ –হরাও তৌবা য়ারে হায়না বি জে পি লৈঙাক্না হায়খ্রগা দিষ্টব এরিয়া চহি অমগা শাংদোকপদসু পেন্দবা ফোংদোকখি।

ইং ২০১৯ দদি বি জে পি লৈঙাক অসি অমুক হল্লকহনদনবা সি পি আই না অচেৎপা ৱারেপ লৌরে হায়নসু ফোংদোকখি।

# এদুকেসনগী মরু ওইবসি চিন্দা খক লাওগুমসি ঃ সুভাসচন্দ্র

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ঃ

মিনিষ্টর, এমএলএ য়াওনা লৈবাক মীয়াম্না এদুকেসনগী মরু ওইবা অসি চিন্দা খক লাওগুমসি, থবক ওইনা মীয়াম মাঙদা উৎসি হায়না নাওরিয়া পাখঙলাকপা এসিগী এমএলএ এস সুভাসচন্দ্রনা আপিল তৌরক্লি।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী নিঙোম্বম কম্যুনিটি হোলদা নিঙোম্বম এদুকেসনেল দিভলপমেন্ট কো–ওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদনা শীনবা "ক্বালিটি ইদুকেসন মিটিং" হায়বা থৌরম অমদা শরুক য়াবদা এমএলএনা হায়খিবনি।

এমএলএ সুভাচন্দ্রনা মখা তানা হায়, ঙসি লমদম অসিদা থোক্লিবা থৌদোক–ৱাথোক কয়া অসি মরুওইনা লমদম অসিগী ইদুকেসন সিষ্টেমদা অশোয়বা কয়া লৈবা অসিননি। হায়রিবা লমদম অসিগী ইদুকেসন সিষ্টেমদা অশোয়বা ময়াম অসি লমদম অসিদা লৈরিবা লৈঙাক, লোকেলিটি অমদি মহৈরোইশিং মমা–মপাশিং পুন্না হোৎনমিন্নদুনা শেমদোক্লবা হোৎনসি। হায়রিবা অশোয়বা কয়া অসি শেমদোক্তুনা চিন্দা ইদুকেসনগী ৱা ঙাংবনা কান্নবা ফংলোই।

# পুলিসনা কৌবদা এ আরগী ...

*লমায় ১গী মখা*

থৌবাল পুলিস ষ্টেসনদা ট্রান্সফর তৌখ। ২৬শুবা আসাম রাইফলসকী ফুদ্রদা লৈবা মেজর টি লিয়ান মুং কৌবা অমনা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনদা থৌদোক অদুগী রিপোর্ট পীরমখি। মহাক্কী রিপোর্টকী মতুং ইন্না দিসেম্বর ২০গী অয়ুক্কী পুং ৪.৩০ রোম তাবদা ২৬শুবা এ আর অমসুং সি দি ও থৌবালগী অপুনবা টিম অমনা এম দি গ্রাফর উশোইপোকপী শঙ্গোমশঙদা লৈবা ময়ুমদগী ফাখি। মহাক ফারবা তুংদা থৌবাল্লোমদা পুরকখি অমসুং মেলা গ্রাউন্দ মপা য়ৌরকপদা ৱাহৃরকখ। ২৬শুবা এ আরগী আর এম ওনা মহাকপু চেক তৌবদা মীহুল ফঙবা ঙমখিদে। এ আরগী টিম অদুনা ফারবা মীওই অদু পোরোম্পাৎতা লৈবা জেনিমস হোস্পিটালদা লায়কন্ননবা পুখৎখি। অদুবু হোস্পিটাল অদুগী দোক্তরনা লম্বীদা লৈখিদ্রে হায়না লাউথোকখি হায়রি।

# ইম্ফাল ফাওনা পুখিবা ক্রোর...

*লমায় ১গী মখা*

ম্যান্মারদগী দ্রগশিং অদু মণিপুরদগী পুরকপগী থৌদাংসু মখোয়না লৌই। মখোয় ৩না হেরোইনশিং অদু রাজস্থান,মৈধ্যপ্রদেশ অমসুং উত্তরপ্রদেশতা লৈরিবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবশিংদা সপ্লাই তৌবগী থবক চখৈ। পনবা য়াবদি স্পিসিয়েল সেল অসিনা মণিপুরদগী পুরকপা হেরোইন কেজি ৯৫ অমসু চহী অসিদা পুলিসনা ফাগৎখিবা লৈখ্রে। ম্যান্মার রোমদগী পুরকপা হেরোইন অসি মমল য়াম্না হোংই অমসুং তৌইগুম্বসু মতিক–ময়াইদি অতৈ হেরোইনশিংগী হেন্না ফনা লৌনৈ। মদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না দ্রগ মখল অসি য়াম্না পাম্না শীজিন্নৈ।

# খোইরাংবা...

*লমায় ১গী মখা*

দিল্লিগী কোটলা মুবারকপুরদগী ফাখবগা লোয়ননা লালহৌলুপ অসিগী বেজ অমা দিল্লিদা শেমগত্তুন লৈবাক্কী মায়োক্তা থবক–থৌরম কয়া চত্থরক্লবা হোৎনৈ হায়বগী মরাল শিখিবনি। লালহৌরলুপ অসিমক্কী জেনরেল সেক্রেটরিনি হায়বা মোইরাংথেম রনা প্রতাপ এলাইজ পাইখাম্বা কৌবা মীওই অমসু দিল্লি পুলিসকী স্পিসিয়েল সেল অসিমক্না হৌখিবা সেপ্তেম্বর ৪দা বিষ্ণুপুরগী মফম অমদগী ফাখিবসু লৈখ্রবনি।

# ডিফরেন্টলি এবলশিংদা লৈঙাক্না পোলিসি শেম্বীয়ুঃ এৱার্দি সুমতি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ঃ

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা ডিফরেন্টলি এবল পার্সনশিংগী মরক্তা খুৎ হৈবা – হৈবী মীওইশিংদা পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা পীবা নেসনেল এৱার্দ ফংলকখ্রবী এৱার্দি মায়াং লম্বম সুমতি দেবীবু সোসিয়েল ৱার্কর এস মনাওতোননা পূক্নিং থৌগৎখ্রে লোয়ননা শেলগী তেংবাংসু পীখ্রে।

হাওবম মরক কৈশাম লৈকাইদা লৈবী এম সুমতি দেবীগী ময়ুমদা চৎতুনা সোসিয়েল ৱার্কর এন মনাওতোননা মহাকপু ইকাই–খুম্নবা উৎতুনা পূক্নিং থৌগৎখিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা এন মনাওতোননা হায়, ডিফরেন্টলি এবল পার্সনশিংনা খূদোংচাদবা মায়োক্নরিবা মীওইশিংগী লাইয়েংবা অমসুং মখোয়গী পূক্নিং ৱাখল শোন্তরিবসি মতৌ করম্না কোকহনবা ঙমগদগে হায়বগী মতাংদা মরী লৈনবনা য়েংশিনবিয়ু। এৱার্দি ময়াংলাম্বম সুমতিনা হায়, হকচাংগী ফিভম শোয়নাইরবা মীওইশিংগীদমক্তা লৈঙাক্না পোলিসি শেম্বীয়ু। দিসেম্বর ৩ দা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড দিসএবল দেগা মরী লৈননা দিলিগী ভিজ্ঞান ভৱনদা পাঙথোকপা থৌরমদা এৱার্দ সি পীরকপনি। মহাক্কী লিটরেচর অমসুং হেন্দি–এম্ব্রোইদরিগী লমদা ষ্টেট অমদি রিজনেল এৱার্দ ফংখ্রে। শোয়নাইবা হায়বসি হিংবদা য়াম্না ৱাই। হিরম খুদিংমক্তা মীগী মতেং লৌই, থবক অমা চংথোক্লে হায়রগনা ওটৌ ৱাইদবা য়ারক্তে হায়খি।

ইম্পৱারমেন্ট ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিজ হায়বা থিমদা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা দিসেম্বর ৩ (অহুম) দা পাঙথোকপা থৌরম অমদা এম সুমতিবু এৱার্দ পীদুনাইকাই খুম্নরকপনি। মহাক অসি লাইবক থিবা থৌদোক অমদগী নামা শোয়বা মীশক ওইখিবনি। নামা শোয়রবসু সুমতিনা লাইরিক কয়া ইবা লোয়ননা হেন্দিক্রাফকী লমদা থোইদোক–হেন্দোক্না খুৎহৈবী অমা ওইবদগী ষ্টেট অমদি রিজনেলগী থাক্তা মনা–মথুম কয়া ফংখ্রে। এআইআর ইম্ফালগী শৈরাংবা অমসু ওইরিবনি। মহাক্না লিটরেচর অমসুং হেন্দিক্রাফকী লমদা থৌদোক–হেন্দোকপা থবক তৌবগীদমক গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা এৱার্দ পীরকপসি ইকাই খুম্নবা উৎলকপনি। নেসনেল এৱার্দ ফংখ্রবী এম সুমতিবু মণিপুর লৈঙাক্না মশক খঙবীদুনা মহাক্কী মফমদা মতেং পাঙবীয়ু। নামা শোয়বনা মরম ওইদুনা শেল–থুমগী ফিভমদা অৱাবা মায়োক্নরিবসি মহাক্কী মফমদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীনবসু লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিনখি।